# আইতা চেম্পিয়নশিপকী গার্লস সিঙ্গলসতা মণিপুরগী শান্নরোয় অমত্তা সেমী ফাইনেল য়ৌখিদ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৫ ঃ

মণিপুর টেনিস এসোসিএশন (মাটা) না শিন্দুনা লম্ফেলদা লৈবা ওফিসরস ক্লবকী টেনিস কোর্টতা চথরিবা অন্দর-১৬ বোইজ এন্দ গার্লস আইতা চেম্পিয়নশিপ সেরিজগী গার্লস সিঙ্গলসতা মণিপুরগী শান্নরোয় অমত্তা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

নুপীমচা ১৬ না শরুক য়াদুনা চথুবা হৌখ্রবা গার্লস সিঙ্গলসকী ঙসি সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে। হয়েং অহানবা সেমী ফাইনেলদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মজুমদার মধুরিমাগা আসামগী রাজসহা ইভাগা শান্নরগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা আসামগী ক্রিষ্টি বোরো অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সটা ভিসা ঘোসকা থেংনরগনি।

সেমী ফাইনেল চঙখ্রবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মধুরিবা মজুমদারনা অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখ্রবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী প্রিসা ভট্টচার্য গেম ৮-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। আসামগী ইভা রাজসহানা অহানবা রাউন্দ বাই ফংখ্রবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদা আসামগী হরসিটা বোরা গেম ৮-৬ তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

আসামগী ক্রিষ্টি বোরোনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরগী এল বিন্দিয়ারানি গেম ৮-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরগী নোংমৈকাপ্পম চার্মি গেম ৮-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সটা ভিজা ঘোসনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা বাই ফংখ্রবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদা আসামগী ভিহুটি গঙ্গামা গেম ৮-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

বোইজ দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা আসামগী ক্রিষ্টানা শর্ম্মা অমসুং করন বরুৱা দাসকী জুরানা মণিপুরগী অরিবম মহেশ অমসুং শৌগ্রাকপম গৌরগী জুরাবু গেম ৮-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। সেমী ফাইনেলদা আসামগী ক্রিষ্টিনা শর্ম্মা অমসুং করন বরুৱা দাসকী জুরানা মণিপুরগী অটাব লৈশাংথেম অমসুং টি ঐচ রজিবকী জুরাবু গেম ১০-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা গার্লস দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা আসামগী হরসিতা বোরা অমসুং ক্রিষ্টি বোরাগী জুরানা মণিপুরগী অগু য়ূম্নাম অমসুং নোংমৈকাপ্পম চার্মিগী জুরাবু গেম ৮-৬ তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। মণিপুরগী য়ূম্নাম অগু অমসুং নোংমৈকাপ্পম চার্মিগী জুরানা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিরোপাবা অমসুং নিসিটা মুকিলগী জুরাবু গেম ৮-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখি। অদুবু সেমী ফাইনেলদা মণিপুরগী জুরা অসি আসামগী মখূৎতা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি।

হয়েং অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মধুরিমা মজুমদার অমসুং সটা ভিজা ঘোস অনীগী জুরাগা আসামগী বিবুটি গঙ্গামা অমসুং ইভা রাজসহাগী জুরাগা শান্নগনি।

# অমোফানা আসাম রাইফলস পেনালটি শুট আউটতা মায়থীবা পীদুনা বোদৌসা কপকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ ঃ

আসামগী টিনসুকিয়াদা চথরিবা ৮ শুবা বোদৌসা কপ নেসনল লেভেল ইনভাইটেসন প্রাইজ মনি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা অমোফা মোইরাং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা অমোফা মোইরাংনা আসাম রাইফলস টাই ব্রেক্তা গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীদুনা অমোফা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। অমোফা মোইরাংনা সেমী ফাইনেল মেচ থা অসিগী ৭ তা মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা আসাম ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি বোর্দকা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা অমোফা মোইরাংনা মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা আসাম রাইফলস ফুটবোল টিমবু মায়থীবা পীখিবা অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইনবগী অশা ৱাংনা লৈখ্রে।



মেন ওফ দ মেচ তাখ্রবা অমোফাগী সোংপাওদা ত্রোফি খূৎশিন্নখিবা

মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা আসাম রাইফলস অমসুং অমোফা মোইরাং অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্নবা শান্নখিবনা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নখি।

য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা আসাম রাইফলসনা হাফ থারমদাই মেচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। আসাম রাইফলসনা অহানবা হাফ ফাওবা গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং হাফ মতুংদা অমোফা মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অমোফা মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনা থৌনা হনবা লৈতনা শান্নরকপনা মেচ অদুগী লোইরমদাই ৯০ শুবা মিনিটতা সোংপাওনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নখ্রবা মতুং টাই ব্রেক্কী পেনালটি শুট আউটতা অমোফা মোইরাংনা গোল মরি অদুগা আসাম রাইফলসনা গোল অনী চন্দুনা অমোফা মোইরাং মায় পাকখি। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা অমোফা মোইরাংগী সোংপাওনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অমোফা মোইরাংনা অহানবা লীগ মেচ হৌখিবা জুন ৩০ দা যূম্বু ওইরিবা বোদৌসাগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবদা অমোফানা বদৌসা গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখি।

জুলাই ২ দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা লীগ মেচতনা অমোফা মোইরাংনা দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটি গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা অমোফা মোইরাং ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

# সব জুনিয়র নেসনল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপকী অহৌবা নুমিত্তা এল রিকিসন্না মিটর ১০০ গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্তা শিলভর ফংখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ০৫ ঃ

স্বিম্মিং ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মিৎয়েং মখাদা কর্ণাটাকাগী বেঙ্গলোরদা লৈবা বসা বঙ্গুরি এক্বাটিক সেন্টর স্বিম্মিং পুলদা ঙসিদগী ৪৩ শুবা গ্লেনমার্ক জুনিয়র নেসনেল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ চথুবা হৌখিবগা লোয়ননা অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরগী এল রিকিসননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

থা অসিগী ৯ ফাওবা স্বিম্মিং ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মিৎয়েং মখাদা কর্ণাটাকা স্বিম্মিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা চথুগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরগী এল রিকিসননা মিটর ১০০ গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক বোইজ গ্রুপ ফোরদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

এল রিকিসননা ১:১৪.৪২ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা শিলভর মেদল লৌখিবনি। এল রিকি কোংবা লৈখুরাম লৈরক্তগী এল রাজেন্দ্রোগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক হৌজিক ৱাইলকো কোংবগী শান্নরোয়নি। মহাক্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা মিটর ৫০ ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্তসু শরুক য়াগনি।

অমরোমদা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী ৱাটর পোলো টিমসু শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদৌরিবা নুপামচাগী ৱাটর পোলো শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা সি এ সিদগী ঐচ নোংপোকঙানবা, শান্নরোয় ওইনা ঈ এস য়ুদগী এল অলেক্স, কে ৱাই ওদগী সি ঐচ অজে, এন সিবানন্দ, এস ওপেন্দ্রো, সি এ সিদগী এল হিলর মঙাং, টি রবিকান্ত, এল রোমিও, ৱাইলকোদগী এল রোবার্ট, এল বিজেন কুমার, এম লোয়ুম্বা, এল মঙালতোন, ঐচ এল এস ৱাই দি ওদগী এন জোনসননি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা এম জি এম সিদগী এস সোনালি, শান্নরোয়দা কে ঐচ ভিমাপতি, টি প্রিটি, টি ঐচ সায়া, টি ঐচ লৈশেম্বী, এল জেসিকা, জি মৌসমি অমসুং টি ঐচ নিতনবলানি।

ঈ এস য়ু ৱাংখৈদগী চিংখোন লৈমা হুইদ্রোম, নাওখোন লৈমা হুইদ্রোম, টি ৱাই সিদগী কে সোনিয়া, ঐচ জয়শ্রী, সি এ সিদগী টিনা চিরোমনি। টিম কোচনা এম পুর্নচন্দ্রনি। টিম মেনেজরনা এম লোকেশ্বরনি। স্বিম্মিংগী কোচনা পি প্রেমানন্দনি।

# জপান নিংথৌরেলগী ফিরাল হুরানবগী ফাখিবী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন – দোন ফ্রেশর






**ঙসি** ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোন ফ্রেশর নত্তনা শান্নরোয় অমত্তনা ইরোইবগী থৌরম অমদা ওলেম্পিক অহুমদা থংনা থংননা সনাগী মেদল ফংবা ঙমদ্রি। মহাক্না কুমজা ১৯৫৬ তা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্ন সহরদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা মিটর ১০০ গী ফ্রিষ্টাইলদা মিনিট ১ সেকেন্দ ০২.০ দা পন্থুংফম য়ৌদুনা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা সনাগী মেদল লৌখি। মতম অদুদা মহাক মশাগী চহী ১৭ শুরে। চহী মরিগী মতুংদা রোম ওলেম্পিক্তা মহাক্না অমেরিকাগী খৃষ্টতিনি ভোন সালজাগা অকনবা লম্বা তৌনদুনা মিটর ১০০ গী ফ্রিষ্টাইল ফাইনেলদা থেঙ্গাইনবদা মায় পাক্তুনা ইরোইবদা ওলেম্পিক্কী টাইটল দিফেন্দ তৌবা অনীশুবা নুপী ওইখি। চহী অনীগী মতুংদা মহাক মিটর ১০০ গী ফ্রিষ্টাইলবু মিনিট অমগী মনুংদা লোয়বা ঙম্বী অহানবা নুপী ওইখি।

টোকিও ওলেম্পিক গেমস কুমজা ১৯৬৪ গী ওক্টোবর থাদা পাঙথোকখিবা অদুদা শরুক য়ানবা শেম শাবগা লোয়ননা মহাক্না মার্চ থাদা ফুটবোল শান্নবা য়েংবা অমা চৎলুবগী হল্লকপদা মহাক্না থৌরিবা কার অদু পার্কতা থাদুনা থল্লিবা ত্রক অমদা থেংজিল্লুবদগী কার অদুদা তোংলিবা মহাক্কী মমা শিখি, মচননুপী ৱান্থুখি অমদি ফ্রেশর মশামক্কী মঙকশমদা ভরটেব্রা শোক্তুনা চয়োল তরুক প্লষ্টর নপ্তুনা লৈখি।

টোকিও ওলেম্পিক্তা মহাক চহী ২৭ শুরে। চহী অসি ঈরোইবীশিংগীদমক্তি অহল ওইরে হায়না লৌনৈ। মহাক্না গেমস অদুদা মিটর ১০০ গী ফ্রিষ্টাইলদা অমেরিকাগী সেরোন ষ্টার্ডদরগা অকনবা লম্বা তৌনখিবদা ষ্টার্ডদরনা মহাক্কী মতুং ইনবা ঙমখিদে। মহাক্না ওলেম্পিক্কী অনৌবা রেকোর্দ অমা সেকেন্দ ৫৯.৫ দা থমখি অমদি ওলেম্পিক্কী পুৱারীদা ইরোইবগী থৌরম অমদা গেমস অহুমদা থংনা থংননা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইরি।

দোন ফ্রেশরগী মমিং ওলেম্পিক্কী পুৱারীদা হেন্না নীংশিংনরিবদি মহাক্না নুমিদাং অথেংবদা টোকিওদা লৈবা জপানগী নিংথৌরেল হিরো হিটোগী কোনুংগী সনথোঙ তান্না চৎলগা কোনুংগী সনথোঙ মমাঙদা চিংখত্তুনা থল্লিবা নুমিৎ য়েকপা জপানগী নেসনল ফ্লেগ অদু লোন্না লৌথদুনা পুরকখিবদা জপানগী পুলিসনা ফাখিবগী ৱাথোক অদুনি। মহাক্না ফিরাল অদু ময়ূমদা ‘সোভেনর’ ওইনা পুনিংদুনা পামজদুনা তৌরুবনি হায়জবদগী মহাক্কী মরাল ঙাকপীখি অমদি জপানগী নিংথৌরেলনা ফিরাল অদু মঙোন্দা খুদোল ওইনা পীবিখি। তৌইগুম্বসুং মরালদুগীদমক ওষ্ট্রেলিয়ান স্বিম্মিং য়ুনিয়ন্নদি মহাকপু চহী ১০ ইরোইবদা শরুক য়াবগী অথিংবা থমখি। অকোনবদা অথিংবা অদু চহী মরিদা কোমথোকখি। ফ্রেশর ১৯৮৮ দা ন্যু সাউথ ৱেলসকী পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর ওইখি।

*- এল অজিৎ*

# কে আই বি য়াইরিপোক্না নসাল মায়থীবা পীদুনা ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৫ ঃ

পেচি য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব (পি ৱাই দি সি) য়াইরিপোক্না শিন্দুনা মমাঙ থাগী ১০ দগী তোঙান তোঙানবা টিম ১৮ না গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা ক্লব অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরকখিবা অনীশুবা ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী ৱিন্নর কে আই বি মাইক্রো ফাইনান্স য়াইরিপোক্না ওইখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা কে আই বি মাইক্রো ফাইনান্সনা নসাল সিখোং সেকমাইবু গোল ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ত্রোফিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা কে আই বি মাইক্রো ফাইনান্স য়াইরিপোক্না ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ১০ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা নসাল সিখোং সেকমাইনা রন্নর্স-অপ ত্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৭ কী শেলগী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ অমদি ষ্টেটেটিক্সকী মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রো, পেচি ভিলেজকী সেক্রেটরি দল্লিয়ু সনাহনবী, ৱাংখেম জিলা পরিষদকী মেম্বর কে ঐচ সোভা, চরাংপাৎ জিলা পরিষদকী মেম্বর শান্ত অমসুং লৌরেম্বম গ্রাম পঞ্চায়েটকী মেম্বর কে ঐচ জানকিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রিসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা ৱিন্নর অমসুং রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিম অমদি ইনি দভিজুএল প্রাইজ ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৱিন্নর ওইখ্রবা কে আই বি মাইক্রো ফাইনান্সকী শান্নরোয় বোনিলসননা বেষ্ট প্লেয়র তাখি। টিম অসিমক্কী শান্নরোয় কে এস ঐচ নাওবনা বেষ্ট গোল কিপরগী মনা ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইঙৌরোক এফ সিগী শান্নরোয় শ্যামসুন্দরনা হায়েষ্ট স্কোররগী মনা ফংখি। অদুগা চেম্পিয়নশিপ অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা লৈরোংথেল এফ সিনা তাখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা কে আই বি মাইক্রো ফাইনান্স য়াইরিপোক্কী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথুখি। অদুম ওইনমক মেচ অদুদা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স-অপ তাখ্রবা নসালগী শান্নরোয়শিংনসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা ফনা কন্না হোৎনখি অদুবু অরেম্বদা তাখি।

## থৌপুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশনগী চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীফম হৌখিবা জুলাই ৩ দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এসোসিএশন অসিগী কুমজা ২০১৬ দগী ২০১৮ ফাওবগী টার্মগী ওইনা থৌপুগদবশিং খনখ্রে।

এসোসিএশন অসিগী নৌনা থৌপুননবগীদমক থোকচোম কেসোবু সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে। জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা লৌরেম্বম দোলেশ্বর, জোইন্ট সেক্রেটরিদা ওইনাম প্রেমকুমার অমসুং মুতুম রোমিও খনখ্রে। ট্রেজররনা অকোইজম মনিতোন অদুগা একজিক্যুটিভ মেম্বরদা অকোইজম কেশ্বরজিৎ, ওইনাম নোলেন্দ্রো, আর কে মনিস্না, কাংজম দিনেস, কে রুস্তম, আর কে অরুনস্না অমসুং এস রমানন্দ খনখি।



HL-B/3164/2-16/7




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com